# মরিং জাতিগী 'খোঙকাপ কুমহৈ' ২০১৯




ইম্ফালদগী মিলোমিটর ২০ লোম কোঙবা রোদ তগী খা পাংনা বমোল কম্পু তাদুনা কৈরাও ফাওদুনা ঙরিয়াল লম্বীদা চৎত্তুনা খাইদুনা লৈবা লম্বীদগী চীংথক্তা মিটর ২০০ রোম কারগা লৈবা খুল মচা অমনি 'শন্দং শেনবা মরীং চাওরাক্পা মী ১০০০ গী মথক্তা লৈবা মীশিং পংয়াম য়ামজ দবা খুল অমা ওইদুনসু মশাগী নাৎ চৎনবী য়াম্না চেকশিননা মাং খিদনবা য়োকখৎচনবা হোৎজবা পান্বা খুল অমনি।

অতৈ লাইনিং লাইশোন কয়া অমনা চৎনবী নাৎকী ওইবা থবক থৌরম কয়াদা শাফু খরা মখৈ পীরে হায়দুনসু খুল অসিগী নহা অহন খাক্তনা ঙসি ফাওবদা মখল মখা কয়াগী মৈহৌরোলদগী চৎন্দুনা লাক্লবা চৎনবী খরদি ঙসিসু খুঞ্জাশিংনা ঙাক্তুনা থন্নী হায়বগী লেঙদ্রবা খুদম অমা ওইনা মমাংঙৈ মতমদগী চহী ৫ / ৫ লৈরগা পাঙথোকপা 'খোং কাপ' খুমহৈ-২০১৯ হন্দক চহীগী ওইনা খুল অসিদা পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

কৈরাও কেন্দ্রগী মনুং চনবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট তা লৈবা তরু তাননবা খুল অসিগী খুঞ্জাশিং মশীং য়ামজদ্রগসু মমাংঙৈদগী চৎনীক্লবা কলচর ট্রেদিসনবু মাংদনা য়োকখৎত্তুনা থম্নবা হোৎনজবা খুল অমা ওইরি।

হায়রিবা খুল অসিদা পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিভেলশিংগী মনুং দা য়াম্নমক মরুওইবা কুমহৈ অমা ওইনা লৌনরিবা 'খোঙকাপ' হায়রিবা তেন কাপ্পগী ফেষ্টিভেল অসিসু অমা ওইরি।

চহী ৫ / ৫ লৈরগা পাঙথোকপা কুমহৈ অসিগী নুংগী ওইবা থাজনবী অমগী মতুং ইন্না খুল অদুগী লৈখিদ্রবা ইপা ইপু ওইবশিংগী থৱাইশিং অদুগা লোইনদুনা পুন্না চৎমিন থকমিনবা ঈশৈ শকমিন্নবা জগোয় শামিন্নদুনা খুল অদুগী য়ুমথোং খুদিং চঙদুনা পাঙথোকপা কুমহৈনি।

'খোংকাপ'গী খ্বাইদগী মরুওইবা শরুক অমা ওইরিবানা তেন কাপ্পা অসিনি।খোংকাপ হায়রিবা অসি মরীং লোন্দা তেন কাপ্পা হায়বনি।

তেন কাপ্পগী কুমহৈ অসিদা তেননা তমগদৌরিবা পোৎশক অসি শা অমগী শক্তমনি। শক্তম অসি মরুওইনা কুরাও পান্বীদা য়েক্তুনা অমদি হক্তুনা শাবা শক্তম অমা তেন কাপকদৌরিবা মফম অদুদগী মিটর ১০ / ১৫ রোম লাপ্পা লৈরগা মথং মনাও নাইনা তেন কাপ্পী।

অশুম্না মতম কয়াগী মমাঙদগী চৎথরক্লিবা থৰ্ম্মগী ওইবা পরিং অমদা পাঙথোক্লিবা মরীং জাতিগী ওইবা চহী ৫ / ৫ লৈরগা পাঙথোক্লিবা কুমহৈ অসি মমাংঙৈ নীংশিংঙবা থোকত্রবা মতমদগী ঙসি ফাওবা চৎথদুনা লাক্লি।

অদুবু চহী খরা অসিদা খুল খরদদি অসিগুম্লবা মখলগী কুমহৈ অসি পাঙথোকখিদবসু য়াওরে হায়না খুন্দুগী খুঞ্জা অমা ওইরিবা মীদুন মরীংনা ফোংদোরকখি। কুমহৈ অসিগা মরী লৈননা তেনজৈ ১০০ / ১০০ শাদুনা থেম্বুং লাইগীদা পুরক্তুনা কৎলবা মতুংদা খুনবু না অহানবা ওইনা তেন কাপকনি মতুংদা খুলাক,লৈশাং অমদি শেলুং হায়রিবা খুলগী ফমনাইবা মীওই মরী অসিনা মথং মথং তেনজৈ ২।২ কাপকনি।

মতুংদা খুঞ্জাশিংনা মথং-মথং তেনজৈ কাপকনি। অসুক্না তেনদমফম ওইরিবা শাগী শক্তম অদুদা তেন কাপ্তুনা অমদি খিলমপুনা খুল অদুগী হৌখিবা লৈখিদ্রবা থৱাইশিং কৌথদুনা য়েরুম অমানা থৱাইশিং অদুগী মহুৎ শিন্দুনা শেন্নে।

অশুম্না কুমহৈ অসিগী মখা তারকপাদা খুল অদুগী য়ুমথোং খুদিংমক্কী ফুঙ্গা মপান্দা লৈখিদ্রবা অহলশিংগী ফিদা অনী থাদুনা য়ুশিংজুনচিংবা কৎকনি লোয়ননা খুঞ্জাশিংগা চামিন থকমিন্নবা অশুম্না খুলগী য়ুমথোঙ খুদিং চঙদুনা জগোয় ঈশৈ শক্তুনা অশিবা অমদি অচংবা অনীগী ওইবা কুমহৈ অমা ওইরি।

কুমহৈ অসিগা মরী লৈননা মিদুন মরীংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না কুমহৈ অসি মমাংঙৈ জাতি অদুদা পোকখিবা মথৌনা মরিংজেন ফাবা ইচংথৌবা অঙতে কৌবা অমানা হৌদোক্লম্বাদগী ঙসি ফাওবা খুঞ্জাশিংনা মখা তানা চৎখহৌবনি হায়খি।

তেন কাপ্পদা তেন্দনফম ওইনা শিজিন্নরিবা শা অসি মীওইবা জাতিদা অয়েৎপা ওইবা য়াম্না শাথিরবা অমগা লোয়ননা আঙতেনা তেন্দনফম অসিদা চহী ৫।৫ খুদিংগী কাপ্তুনা মরীং জাতিগী নুংঙাই য়াইফরবা পুন্সি অমা ওইন্নবগী পান্দমদা ঙসি ফাওবা চৎখরিবা কুমহৈ অসিদা লাইওইখ্রবা আঙতেদা শৈথাদুনা শকপা ঈশৈ 'নঙগী থৱাইদু হান্না কুমথখো,নঙগী থৱাইদু কিগনু নঙনা শারম্বা মুতিদু ঐখোয়না কাপকদৌরি'। হায়না আঙতেদা অশথাদুনা শকপা ঈশৈশিং শক্তুনা কুমহৈ পাঙথোক্লরি।

অশুম্না তেন কাপ্তুনা হৌদোকখিবা কুমহৈ অদুনা য়ুমথোং শুনা চংদুনা পাঙথোকই। অসুম্না নুমিৎ নীনি-হুম্নী চংনা খুলগী য়ুমথোং খুদিং চংদুনা থৌরম পরেংশিং পাঙথোক্লবা মতুংদা খুল মপুনা লৈখিদ্রবা থৱাইশিংগী মশক অমা ওইনা শিজিন্নরিবা য়েরুম খুলগী পম্বোং ফাওবা থীন্দোক্তুনা অরোইবা থৌরম লোইশিনগনি।

অসিগুম্লবা মমাংঙৈদগী চৎখদুনা লাক্লবা মরিং জাতিগী মরুওইবা কুমহৈ ১-'লমক্লাই' (লম লাই),ওক্টোবর থাদা পাঙথোকপা ঈশিং-লম্বী অমদি খেশং লম্বীনচিংবা শেংবগী কুমহৈ। ২-পম্বোং শাবা (লমতা থাংজা) দা পাঙথোকপা অমদি ৩-ফেব্যুৱারি অমদি মার্চ থাদা পাঙথোকপা 'খোঙকাপ' নচিংবা মমাঙঙৈদগী চৎখদুনা লাক্লবা নাৎকী ওইবা কুমহৈশিং ওইরি।

অসিগুম্লবা য়েলহৌঙৈদগী চৎখদুনা লাকম্লবা চৎনবী কয়া অসিগী মনুংদা য়াওরিবা নুংগী ওইবা ফজরবা ময়া অসি ঙসিদি চাওখৎপগী ইচেলনা শাফু কনশিনলকপনা তপ্না-তপ্না মাং খিগদ্রা হায়বগী মীপাইবা খুঞ্জাশিং দা লৈহৌরি।

ঐচ রাজেসে




## মহৈরোইশিংগী খুদোল




*TITLE,: A HOUSE*
**Lanchenbi**
Class: III,
Sec : C,
Roll No- 26
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN




*TITLE : KRISNA*
**Riya Bochiwal**
Class: V,
Sec : A,
Roll No- 39
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





*TITLE : A GIRL*
**Th. Langthoibi chanu**
Class: IV,
Sec : C,
Roll No-59
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN




*TITLE :PUKA HOUSE*
**Luwanganba,,Mayengbam**
Class: I
Sec : ,A
Roll No-10
School: UNLVERSAL STUDENT ACADEMY




*TITLE : PAROT*
**Anushka Ningthoujam**
Class: IV
Sec : B,
Roll No-18
School:UNACCO SCHOOL KHONGMAN



*TITLE,: NOT SAVING / SAVING WATER*
**Konjengbam Poireilembi**
Class: V,
Sec : B,
Roll No-19
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





*TITLE,: SAVING WATER*
**Devshre**
Class: IV,
Sec : C,
Roll No-1
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN




*TITLE: DON"T CUT TREE*
**Nokita Adhikari**
Class: III,
Sec : C
Roll No-31
School: UNACC SCHOOL, KHONGMAN


*TITLE: DOLL HOUSE*
**Navika Sharma**
Class:II
Sec : D
Roll No- 36
School: UNACCO SCHOOL, KHONGMAN






*TITLE,: DOLPHIN*
**Pravin Thingom**
Class: II,
Sec : B,
Roll No-11
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN




*TITLE : A BIRD*
**Soumya**
Class: IV,
Sec : A,
Roll No-30
School: UNACCO SCHOOL, MEITRAM




*TITLE : AIR POLUTION*
**Uthoiba Elangbam**
Class: IV,
Sec : A,
Roll No-33
School: UNACCO.SCHOOL, MEITRAM




*TITLE : TOY*
**Sh. Ayush Sharma**
Class: IV
Sec : B
Roll No-44
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM




*TITLE : FULL MOON*
**Shreyansh Thoudam**
Class: IV,
Sec : B,
Roll No- 41
School: UNACCO, SCHOOL, MEITRAM


"3TH"
BIRTHDAY
"23TH JUNE 19"




HAPPY BIRTHDAY
TO DEAR
PURNALUCKSHMI
POTSHANGBAM

DAUTHER OF
P. SURACHANDRA &
THOILEIMA OINAM
KHA-POTSHANGBAM
BISHNUPUR

SL/B (S)/23



APOLLO TUTORIAL CENTRE
Moulding Medical and Engineering Career
Admission Open For

2nd Foundation Course
XI Sc. & XII Sc. (CBSE & COHSEM)
English Tution-Sunday & Holiday (Morning)
Class Commence : 15th July, 2019

Apollo - NEET (UG)
Regular Medical Entrance Course 2019-20
Intake capacity : Only 25 students per class
Special feature :
Extensive and intensive teaching - learning system
Class Commence : 1st Week of July, 2019

Physics Faculty
Madam Tamphasana
Former Lect.: HRD Academy
St. Joseph's School
Maria Montessori Sr. Sec. School

Chemistry Faculties
1. Miss Nuja
Lect. COMET Sch.
2. Miss Saroja
Lect. MEM Hr. Sec. Sch.

Biology Faculties
1. Miss Lunfasana
Former Lect. HRDA
2. Sir Romharsha
Lect. KP College

Maths Faculties
1. Sir. L. Basanta
Former Lect. HRDA
2. Sir Ingobi
Lect. ADVANCE Sch.

English Faculty
Sir. Susil Singh
Former Lect.
Little Master Sch
KP College & DAV

Facilities : Free Text Books Sets, Study Materials, Weekly Unit Test.Van Services Hostel (Boys & Girls) Office timing: 7 am - 7 pm
Pliz contact: Apollo Office, Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal-795001



Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*